লাক্লিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটেরিএট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা এস ভি ঈ ঈ পিগী আওটরিচ কেম্পেন

SVEEP
BISHNUPUR

হৈরোক পার্ট-থ্রী লিতান ৱাংমদা লৈবা নিংথৌজম বিমোল কৌবা মীওই অমগী য়ূম ফিমু শেৎপা মীওই কয়ামরুম্না থুগায়বীরম্বা অমদি নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং য়ানীংদে হায়দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

কোংগ্রেসনা তেন্থাদা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেট তৌরে, ঐখোয় নীংতম্না ভোট থাদবা ফংহনবীয়ু হায়দুনা তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়তকী বি জে পি শৌগৎপশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম

SIT IN PROTEST
AGAINST VIOLATION OF HUMAN RIGHTS IN TENTHA BY CONGRESS

অহুমশুবা আই আর বিগী ২১শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা আই আর বিগী ওইনা অহানবা সাইকল পেট্রোল য়ুনিট বট্টালিয়নগী অসিগী অহুমশুবা আই আর বিগী কমান্দেন্ট খোইস্নাম সরমানা হৌদোকখিবা

ক্ষেত্রি বেঙ্গুন য়াংবী মুসলিম ভিলেজবু মোদেল ভিলেজ অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি: নহাকপম ইন্দ্রজিৎ

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ক্ষেত্রিগাও এ সীদা অমুক হন্না মায় পাক্লবদি এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন য়াংবী মুসলিম ভিলেজবু মোদেল ভিলেজ অমা ওইহন্নবা হোৎনরগনি হায়না এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াংবিদা লৈবা য়ূমথোঙ খুদিংদা ঙসি লাক্লিবা মীখলগা মরী লৈননা এম এল এ ইন্দ্রজিৎকী মীখলগী কেম্পেন য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ চঙদুনা চত্থখিবগা লোয়ননা য়ূমথোঙ অয়াম্বদা বি জে পিগী ফিরালশিংসু য়ুংখি। ক্ষেত্রিগাও এ সীদা লৈবা মুসলিমগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৬তা চৎকদবা মীখলগী কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা য়াংবি ভিলেজদা হান্নদগী এম এল এ ইন্দ্রিজিৎপু শৌগৎতুনা লাক্লিবা বি জে পিগী ৱর্করশিং অমদি নৌনা শৌগৎলক্তুনা বি জে পিদা য়াওরক্লবশিংসু তরাম্না ওকপা অমদি শকখঙ-মায়খঙনবগী গেট টুগেদরগী থৌরমদা মথক্কী ৱাফম অসি এম এল এ ইন্দ্রিজিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ ওইরিঙৈ মতমদা এ সী অসিদা মহাক্না মীয়ামগী করি করম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলম্বগে হায়বদু থবক্না ওইনা তাক্কনি। এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন মমাঙদা মসজিদ অমসু শাবা লোইরে। কাঙলুপ-ফুরুপ খায়দনা এ সী অসিবু হীরম কয়াদা চাওখৎপা এ সী অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি, মখা তানসু হোৎনখিগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা ইমুংশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্দুনা লায়রবা ইমুং লৈহন্দনবা হোৎনগনি। অৱা-অনা তারবশিংদসু অঙম্বা থাক্তা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি।

মীখল ময়াদা মীয়াম্বু নুংশিবা শাশিন্নরগা মীরেপ ওইগনি হায়না থোরক্তুনা সোসল মীদিয়াদা ভোট খোম্বা কয়াসু লৈরি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং খম থেংনা ৱানরবা মতমদনা মীয়ামগীদমক ঐহাক লৈরি হায়না নোংমতা ফাওবা মশক নীংথিনা উখিদবা কয়াসু ভোট লেপকনি হায়না চোংথোরক্লি। মদুগুম্বা মীরেপশিং অদু মীয়াম্না পারা তম্বীরি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা এ সী অসিগী অৱা-অনা তারবা মীওই নৎত্রগা ইমুং অমদা করিগুম্বা মতেং পাংখিবা মতমদা সোসল মীদিয়াদা ফোটো নৎত্রগা ভিদিও থাগৎপগী থবক অমত্তা তৌখিদে। মতেং পাংখিবা অৱা-অনা তারবা মীওই নৎত্রগা ইমুং অদুবু সোসল মীদিয়াদা য়োনবা পামজদে।

এম এল এ ওইরকপগী চহী মঙাগী টর্ম মতম অসিদা চহী অনী হেনবদি কোভিদ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা অপনবা কয়া থোকখি। অদুবু কোভিদ লাইচৎ মনুংদসু মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লাক্লি। এ সী অসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া তৌখ্রে, হৌজিকসু কয়া'মা তৌরি। এম এল এ অমা ওইনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলবসু মীদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোক্তবনা অয়াম্বনি। ৱা য়াম্না ঙাঙদনা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা তাক্কনি।

এ সী অসিদা মমাঙদা টর্ম কয়া মায় পাক্লম্লবা ৱা য়াম্না ঙাঙবা হৈবা, থবক্তি ইতৌ তৌরমদবা এম এল এসু য়াওদবা নত্তে। এ সী অসি হীরম কয়াদা শোত্থদুনা লৈরমখি। অদুবু হৌজিক চহী ৫রোম অসিদা ক্ষেত্রিগাও এ সীদা অওনবা কয়া পুরকপা ঙম্লে। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীয়াম্না নুংশিবীরবদি লাক্লিবা মীখল অসিদসু শুংশোয় শোয়দনা ভোট চাওনা ফংদুনা মায় পাক্কনি। এ সী অসিদা লৈরিবা মুসলিম ইচিল ইনাওশিংগী ভোট চাওনা ফংবা মীরেপ অমসু ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রিজিৎনা মুসলিম ইমুং কয়াদা সী এম ঐচ টি কার্দ, লেবর কার্দ, ৱিদো পেন্সন কার্দ অমসুং হীয়ারিং এম্পায়র এইদনচিংবসু য়েন্থোকখি।

থৌরমগা মরী লৈননা য়ুথ এথলেটিক দিভলপমেন্ট এসোসিএসন ক্ষেত্রিগাওগী জেনরেল সেক্রেটরি অরিবম অজিজ খাননা হায়খি, এম এল এ ইন্দ্রিজিৎকী চহী মরিমখায়রোমগী মতম অসিদা মমাঙদা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইখিবশিংনা তৌরমদবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া মুসলিমশিংনা খুদারিবা মফমশিংদা এ সী অসিগী মফম কয়াদা পায়খৎলক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা এমদি জমাননা বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী প্রসিদেন্ট ও লক্সমন, ক্ষেত্রিগাও পার্ট-১ জি পিগী উপ প্রধাণ এমদি নিজামুদ্দিন, বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চা ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট সায়েদ নাসিরুদ্দিন, কে ৱাই দি ওগী জেনরেল সেক্রেটরি এমদি অমির হুসেন য়াওনা মুসলিমগী শক্নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

নোংমৈ অমদি লেথোদ বোম ফারে

ইম্ফাল, নভেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস অমদি ২৯শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা ঙসি অয়ূক পূং ৫.৩০রোম তাবা মতমদা নুংজাং খুলদা জেদ য়ু এফ (জে)গী কাদর খরা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থিবা হুম্বা চত্থবদা লুপ অসিগী কাদর খরদি মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। অদুমকপু কম্বাইন্দ টিম অদুনা মফম অদুদা লৈরম্বা লেথোদ সেল ২, নাইন এম এমগী পিষ্টোল ১, রিভোলভর ১, এম-১৬কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৭ অমদি নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ১১ ফংলে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা থীজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

দ্রাইভ চত্থদুনা উচেক লাং ১৫ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): থৌবাল রেঞ্জ ফোরেষ্টকী মখাদা লৈবা বিট ওফিসশিং য়াওনা লেপ্তুনা চত্থরকপা উচেক লাংশিং ফাগৎপগী দ্রাইভকী মনুং চন্না ঙসিসু ইকোপ পাৎকী অকোয়বদা অহিংদগী হৌদুনা অকনবা দ্রাইভ চত্থখ্রে। দেপ্যুটি রেঞ্জর টিঐচ জোন্সন, এম বিরেন, থৌবালগী ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন দল্লিয়ু রামচন্দ্র অমসুং জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কন্মিটি (জে এফ এম সী) তেন্থাগী প্রসিদেন্ট এম রতন য়াওনা চত্থখিবা দ্রাইভ অদুনা উচেক ফাননবা থাক্তুনা থল্লম্বা লাং ১৫ ফাগৎখি। মদুদা উচেক অহিংবা ৬ অমদি অশিবা ২ য়াওরমখি হায়রি।

দ্রাইভ অসিগা মরী লৈননা দেপ্যুটি রেঞ্জর এমদি অসলমনা হায়খিবদা, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা পাৎশিংদা নিংথম থা চঙলকপগা ইরোয়ননা লমকোই উচেকশিং কন্ননবা অহিং নুংথিল নাইদনা অকনবা দ্রাইভশিং চত্থদুনা লাকপনি। ঙসি অসিসু ইকোপ পাৎকী অকোয়বদা লাং থাক্তুনা উচেকশিং ফারে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী অখন্নবা দ্রাইভ অসি চত্থবনি। দ্রাইভ অদুদা লাং ১৫ ফাগৎখিবগা লোয়ননা লাংশিং অদুদা য়াওরম্বা উচেক অহিংবশিংনা শাফগদবা য়েংলগা থাদোকখ্রে অদুগা অশিবা ২না ফূমজিনখ্রে।

ঙসিগী দ্রাইভ অসিদা উচেক অশিবা ২ য়াওরম্বা অসি য়াম্না নুংঙাইতে। অসিগুম্বা লমকোই উচেকশিংনা লাকপগী মতম অসিদা মথোং হুক্তবা মীওইশিংনা য়াম্না তৌহৈদবা মওংদা লাং থাক্তুনা লমকোই উচেকশিং ফাবীরিবা অসি তৌবীগনু। দ্রাইভ অসি মখা তানা লেপ্তুনা চত্থখিগনি। করিগুম্বা লাং থাকলিবা মথোং হুক্তবা মীওইশিং অসি থেংনবা থোক্লবদি ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন এক্টকী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহনগনি।

লমকোই উচেকশিংবু ঙাকপী-শেনবীবগী মহুত্তা লাং থাক্তুনা ফাবীবা, নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎপীবনচিংবশিং অসি তৌবীগনু। ঙসিগী নুংঙাইতবা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক থোকহনবীগনু। উচেক লাং থাক্লম্বদা চেন্নরিবশিং চহী অহুম জেলদা থম্বা নৎত্রগা লুপা ২৫,০০০ ফাইন থিহনবা অমদি অনীমক তৌবা য়াই হায়বসি কাওবীগনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অহুমশুবা আই আর বিগী মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): অহুমশুবা ইন্দিয়ন রিজর্ভবট্টালিয়ন (আই আর বি)গী ২১শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা অহুমশুবা আই আর বি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা আই আর বিগী ওইনা অহানবা সাইকল পেট্রোল য়ুনিট হাংদোকখ্রে।

আই আর বিগী সাইকল পেট্রোল য়ুনিট হাংদোকপগা মরী লৈননবা বট্টালিয়ন অসিগী গেট মমাঙদগী রেল্লি অমা লমথারদুনা অহুমশুবা আই আর বিগী কমান্দেন্ট খোইস্নাম সরমানা হায়খি, অহুমশুবা আই আর বিগী ২১শুবা মপোক নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ঙসি থৌবাল কৈথেল য়াওনা থৌবাল অমদি খাঙবোক্কী মীয়াম তিনবা মফমদা লম-তূ শেংদোকপগা লোয়ননা বট্টালিয়নগী দোক্টর অমদি অতোপ্পা দোক্টর খরগা খূৎশম্নদুনা লেম্না অনা-লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকপনি।

আই আর বি সাইকল পেট্রোল য়ুনিট অমা বট্টালিয়নগী ওফিসতগী ৱাংজিং ফাওবা সাইকলগী রেল্লি অমা পাঙথোক্লদুনা হৌদোকপনি হায়খি।

মনা কৎলগনি লাউথোকপীরম্লে

ইম্ফাল, নভেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): লৈবাক্কী ওইবা খুদোংচাদবা লৈখিবনা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন মণিপুরগী জেনরেল বোদি মীফম ২০২০-২১ নভেম্বর ২৮দা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবদা পাঙথোকখ্রে হায়না প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অঙৌবা তোংব্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী রিটায়র্দ আর কে নয়নসনানা চীফ গেষ্ট, ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এল বসন্তিনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে নিরমালানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অসিদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বা লৈখিদ্রবা লাইমুজম রামেসচন্দ্রগী মিংদা ইমুং মনুংনা মনা অমা কৎলগনি হায়না লাউথোকপীরম্লে অমদি হৌজিক হৌজিক লুপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবী আর কে নিরমালানসু মনা অমা কৎলগনি হায়না লাউথোকপীরম্লে। মীফম অসিদা লুপকী ওইবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্না ঙাক-শেনবীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীখলগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা ৱাথোক কয়া থোকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা তেন্থাদা য়ূম্ন্থুগী অয়াবা য়াওদনা নমদুনা পোলিটিকেল পার্টি অমগী ফিরাল য়ুংশিল্লি হায়বা ভিদিও ভাইরেল চৎখ্রবা তুংদা ঙসি খোংজোম পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা লৈবা কৈথেল শঙদা 'কোংগ্রেস ৱর্করশিংনা হ্যুমেন রাইটর্স মাঙহল্লি, ঐখোয় নীংতম্না ভোট থাদবা ফংহনবীয়ু, বি জে পিগী ইমুংশিংদা নমদুনা কোংগ্রেসকী ফিরাল য়ুংশিনবীগনু, ঐখোয় তংদু-লৈতাবা পাম্মী, ঐখোয়বু অকি-তুজুংবা পোকহনবীগনু, তেন্থাদা লৈবা বি জে পিগী ইমুং মনুংশিংবু লৈঙাক্না ঙাক শেনবীয়ু' হায়না ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

তেন্থা জি পিগী বি জে পি শৌগৎপশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী লাইশ্রম ওংবী মেমচা কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, লাক্লিবা এসেমব্লি মীখল অসি তংদু-লৈতানা অকি-অখঙ য়াওদনা পাঙথোকহনবা পাম্মী। তেন্থা খুঙ্গংদা ফিরাল য়ুংবদগী হৌরগা নম্ফু-হাফুদা য়ূম্নুগী অপাম পামদা থিদনা অকি-অখঙ পীরগা নমদুনা ফিরাল য়ুংশিনবীরে। তেন্থাগী মীওই অমত্তা মশা মশানা পামজবা মীওইদা ভোট পীবা য়ারোই। খুল অসিগী মীরেপ্তা ভোট পীগদবনি হায়বগী থবক ফাওবা চত্থবা হৌরক্লে। ঙসি ফল্লিবা ৱাকৎ মীফম অসিমকসু তেন্থা খুলদা ফম্বা য়াবনি। অদুমকপু পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবীরক্কনি কিবদগী খুল থাদোক্তুনা লাক্লগা খোংজোমদা ওইনা ফল্লিবনি। মীয়াম্না মাগী মাগী পামজবা মীরেপ্তা ভোট পীবা ঙমহন্নবগীদমক্তা মণিপুর লৈঙাক্নসু অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। লোয়ননা তেন্থাগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্না মতম চানা য়েংশিনবীদুনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ফিমু শেৎপশিংনা য়ূম অমা থুগায়রম্লে, নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

ইম্ফাল, নভেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ফিমু শেৎপা, মমায় খুম্বা মীওই ৬০ রোম্না ঙরাং নুমিদাং পূং ৯লোম তারকপা মতমদা হৈরোক পার্ট-৩দা লৈবা কোংগ্রেসকী ৱর্করনি হায়বা মীওই অমগী য়ূম থুগায়বীরম্লে, নোংমৈ কাপশিল্লম্লে, লুপা লাক্ষ ১৫ রোমগী মাল-চাং পুখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি হৈরোক পার্ট-৩ লিতান ৱাংমদা লৈবা নিংথৌজম বিমোল (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন উমোর কৌবা মীওই অমগী য়ূমদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি অয়ূক থৌবালগী এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজম অমদি এদিসনল এস পি সচিদানন্দ সোইবমনা লুচিংবা পুলিস টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে। পুলিসনা য়ূম অদুগী শুমাঙদগী কাপথোকখ্রবা এ কেগী মরূ কয়ামরুম ফংখিবগা লোয়ননা কেস অমসু লৌখৎখ্রে। থৌদোক অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এন বিমোলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা মহাক্না ঙরাং ইম্ফালদগী মহাক্কী হৈরোক্তা লৈবা য়ূম তম্না লাকপদা য়ূম য়ৌদ্রিঙৈদা মঙোন্দা মমান্নবশিংনা ফোন তৌরক্তুনা মহাক্কী য়ূমদা ঈরাং থোক্লে হায়রকপদগী য়ূমদা চঙদনা মচি অমদা লৈশিন্দুনা লৈখি। মতম অদুদা মহাক্কী য়ূম থুগায়রল্লিবশিংদুগী মনুংদা মহাক্না মশক খঙহৌবশিংগী মনুংদা হৈরোক এ সীগী এম এল এ ওইরিবগী মনাওনুপা থোকচোম সনাথোই, থোকচোম দ্রুবা অমসুং তোঞ্জম রোমেন য়াওখি হায়রি।

মহাক্কী য়ূমগী সী সী টি ভি কেমেরাসু মহাক্কী ফোনদা য়েংবা য়াই। মরম অদুনা য়েংননবা হোৎনরিঙৈদা ফিমু শেৎপশিংনা মৈ মুত্থৎখিবনা মরম ওইদুনা য়েংবা য়াখিদ্রে। মৈ মুত্থখ্রবা মতুংদা মহাক্কী য়ূমগী পোৎ-চৈ থুগায়বা অমদি নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি। সী সী টি ভি কেমেরা অমদি মোনিটরসু থুগায়বীরমখি। সনাগী লিক অমদি ঙারিগী থম্বা শেনফম কয়া অমসু পুখিরম্লে। অসিগুম্বা কিহন খঙহনবগী থৌওং অসি লাইবক থিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HEALTH SERVICES

NOTIFICATION

Imphal, the 30th November, 2021

No.104/1/2021-DHS : In continuation of this Directorate Notification of even No. dated 14th October, 2021 and 2nd November, 2021, the last date submission of Application Form for MBBS/ BDS/BASLP courses, 2021 is hereby extended up to 6th December, 2021 & issue of Acknowledgement Card is scheduled on 13th to 17th December, 2021 from this Directorate during office hour.

Sd/- **Dr. K. Rajo Singh**
Director of Health Services,
Manipur

HL-P/0792/1

CONDOLENCE

Dated : 27th Nov., 2021

A Condolence function was held on Sunday, the 27th November, 2021 at the School premises of Friendship Educational Academy, Khurai Tinsid Road, Imphal East to condole the demise of member, Shri Khagokpam Amar Singh of Khurai Kongpal Laishram Leikai, who left for his heavenly abode on 24th November, 2021.

All the members of the club present expressed their deep shock on his death. Members observed a two-minute silence by standing in honour of the departed soul and prayed the Almighty so that the departed soul rest in peace. The members expressed heartfelt condolence to the bereaved family.

His memories will always be with us.

Sd/- **T. Tomba,** Secretary,
Pioneer Health Club Manipur
Khurai Tinsid Road

HL-P/0794/1

CONDOLENCE

With the approval of the President and General Secretary Manipur Amateur Karate Do Association (MAKA) this to released a condolence on the untimely deceased of Sempai Thoudam Rabichandra, age 37 of Khurai Lamlong Bazar, Imphal East on the 27th of November 2021. He was the son of Thoudam Denachandra and Thoudam Tamna.

* He was the first inmate of SAI under the scheme of North East Sports Academy, enrolled on 2nd September 2000.

* He won team kata & kumite in 2001 at Mumbai JKA Nationals.

* He was the first sub junior bronze medallist in kumite in the 2002 AIKF National held at Mumbai.

* He holds 2nd Dan under the JKA & AIKF.

* He completed MA-Criminology at Mahajanas College under Mysore University.

* And also completed Law at Manipur Law College, Imphal

He started Karate (JKA) in the year 1997 under Hanshi Kirankumar Thangjam. He shall be remembered for his hard work and dedication.

Sd/- **Mutum Bankim Singh**
Jt. Secy. Information & Public Relation
MAKA

HL-P/0801/1

OFFICE OF THE
NINGOMBAM IDEAL YOUTH CLUB
Ningombam, Thoubal-795138
Regd. No. 3280 of 1980, Estd. 1977

NOTICE

The 30th November, 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Ningombam দা লৈরিবা মীয়ামদা মরু ওইনা The Ningombam Ideal Youth Club কী অরিবা ওফিসকী অকোইবদা লৈরিবা খ্বাই পূন্নমক্তা খঙহঞ্জরি মদুদি ক্লব অসিগী শীজিন্নদনা লৈরিবা হান্নগী ওফিস অরিবা বিল্ডিং, Ningombam Utha Leirak হাইথফমদা লৈরিবা অসি লৌথোকপীনবা ৱাকৎ লাকপদগী ক্লবকী মেম্বরশিংনা কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা অমদি ক্লব অসিগী হান্নগী Ex-Office bearer শিংগী মোত তারবা মতুংদা হায়রিবা শীজিন্নদনা লৈরিবা অরিবা ক্লব বিল্ডিং অসি মীয়াম পূন্নমক্কী য়াইফনবা খল্লগা লৌথোকপা হায়না য়াননে অমদি অথুবা মতমদা লৌথোকচরগনি।

মরম অদুনা কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা/suggestion পীবিনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা 7th December 2021 ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল ওইনা পীশিল্লক্কবা খঙহঞ্জরি। 7th December 2021 গী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ খন্নজররোই হায়না খঙহঞ্জরি।

Sd/- **M. Devananda (Devo)**
Secretary,
Ningombam Ideal Youth Club, Thoubal Ningombam

HL-P/0803/1

IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION, IMPHAL EAST, MANIPUR

Judl. Misc. Case No. 199 of 2021
Ref : Original Suit No. 56 of 2021

1. K. Ranjit Singh, aged about 58 years, S/o K. Babu Singh.
2. Huidrom Ratan Meitei, aged about 38 years, S/o (Late) H. Jugin Meitei.
3. Nongthombam Sobhachandra Singh, aged about 51 years, S/o (Late) N. Ibotombi.
4. Thounaojam Rajen Singh, aged about 65 years S/o (Late) Th, Kanhai.
5. Nongthombam Inao Singh, aged about 48 years, S/o (Late) N. Ibotombi.
6. Yumnam Ratan Singh, aged about 55 years, S/o (Late) Y. Bheigo.

- All are residents of Pukhao Laipham, P.O. Pangei, P.S.- Sagolmang, Imphal East District, Manipur- 795114

- Plaintiff

-Versus-

1. Taorem Manglemjao Meitei, aged about 65 years, S/o (Late) Tonshajou.
2. Ngangkhom Open, aged about 45 years, S/o Ng. Kulabidhu.
3. Khundom Dhono @ Dhana, aged about 67 years, S/o (Late) Kh. Mani.
4. Ningthoukhongjam Paka, aged about 50 years, S/o (Late) N. Tombi.
5. Wahengbam Nandababu, aged about 55 years, S/o (Late) W. Surjobor.
6. Wangjam Shyamkesho @ Shyamkeshor, aged about 78 years, S/o (Late) W. Tomba.

- All are residents of Pukhao Laipham, P.O. Pangei, P.S. Sagolmang, Imphal East District, Manipur.

- Defendants

NOTICE

UNDER ORDER 1 RULE 8 OF C.P.C. 1908

TO

ALL THE INTERESTED PRSONS OF PUKHAO LAIPHAM VILLAGE, P.O. PANGEI, P.S. SAGOLMANG, IMPHAL EAST DISTRICT, MANIPUR.

Whereas, the above named Plaintiffs have instituted the above suit for compensation of Rs. 60,00,000/- (Rupees sixty lakhs) only under Section 9 read with Section 19 C.P.C. 1908 coupled with a prayer for permanent injunction against the defendants in respect of defendants' social boycott to plaintiffs' physical/bodily movement in the village, mixing/dealing with their co-villagers and also stopped/prevented plainfiffs' enjoyment of their social religious and earning activities. The defendant No. 1 to 6 is representing all the villagers of Pukhao Village under Order 1 Rule 8 of C.P.C, 1908. By order dated 20-11-2021 of this Hon'ble Court in Judl. Misc. Case No. 199 of 2021 Ref: O.S. No. 56 of 2021 all the interested persons of the said villagers may hereby summoned to appear/ written objection if any before this Court on this 9th day of December, 2021 at 10:30 a.m.

Sealed and signed by the order of the Court, on this 22nd day of November, 2021.

By : Advocate

Sd/- **K. Nirojit**
Civil Judge (Senior Division)
Imphal East, Manipur

HL-P/0798/1,2

LOST

I have lost my (PNB) Punjab National Bank Passbook bearing A/C No. 0254010300853 MG Avenue and ATM Card on the way from Singjamei to Secretariat Imphal on 29th November 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Md. Janab Khan**
Keirao Makting Makha Leikai
6009966738

HL-P/9575/1

PENSION BOOK LOST

One Pension Book bearing P.P.O. no.- MLA/25201617 in the name of (Late) W. Brajabidhu Singh was lost on the way between Lamdeng and Uripok on 15/11/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Wangkheimayum Sumati Devi**
W/o (Late) W. Brajabidhu Singh
Lamdeng Mayai Leikai

HL-P/0789/1,2

ADMIT CARD LOST

I have lost my original Admit Card of Higher Secondary Examination, 2018 bearing Roll No. - 1863 (Arts) issued by COHSEM on the way from Ngakchroupokpi to Bishnupur Hr. Sec. School on 25/11/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Elangbam Mangaleima**

HL-P/0790/1

EMPLOYMENT NEWS / থবক্কী পাউ

1. 2 Male & 2 Female Warden Cum Teachers - Graudate/PG (Salary : Rs. 11,000 - Rs. 16,000)
2. One Hostel Chawkidar Couples (Rs. 9000 - Rs. 12,000)
3. Two Male & Two Female Hostel Cooks (Rs. 7,000 - Rs. 10,000)
4. 2 Male & 2 Female Hostel Security (Rs. 6,000 - Rs. 9,000)
5. 2 Hostel Mother & 2 Hostel Helper (Rs. 6,000 - Rs. 9,000)
6. One Carpenter (Rs. 8,000 - Rs. 10,000)

Please Contact :
8787752537 / 7085376498

HL-P/0796/1



COMPETITIVE SUCCESS TUTORIALS
URIPOK OVERBRIDGE POINT, IMPHAL 795001
REGISTRATION OPEN

Regular course for Medical & Engineering Exam 2022
Foundation Course for Class XI-XII Science.
Class starts on 6th December 2021 with proper SOP
(Morning – 6.00 a.m. to 8.00 a.m.) & (Evening - 4 pm. to 7.30 pm)
Course fee: Rs. 4500 per subject for class XI & XII science

Advisor & Administrator
Dr. K. Nabachandra
Ex Principal DM College
Retd. Principal MIT Takyel

Dr. Ch. Dhananjoy Singh
(Biology Lecturer)
Former Lecturer (Zoo)
DM College of Science
15 year of Teaching Exp.

Ch. Naoba Singh
(Physics Lecturer)
AIEEE Topper (2008)
KIIT University, Orissa
5 year of Teaching Exp.

Dr. Khaidem Binky
(Biology Lecturer)
M.Sc, Ph.D Biology
Former Lect. COMET
7 year of Teaching Exp.

Bandana Chongtham
(English Lecturer)
M.A, English 1st Class
Manipur University
7 year of Teaching Exp.

Th. Rutanjit Singh
(Chemistry Lecturer)
M.Sc Chemistry
Former Lect. Millenium
4 years at AAKASH

S. Thouba Singh
(Maths Lecturer)
V T University
4 yrs of Teaching Exp.

Subjects: Maths, Physics, Chemistry, Biology & English
For more details please contact : 9862698495, 9612846299

HL-P/0764/27,28,29,30,1,2,3